# একাদেমী এৱার্দ অহুম্লক নোমিনেসন ফংলবী এক্টর জেসিকা চেষ্টেন

জেসিকা চেষ্টেন, হৌজিক মশাগী চহী ৪৭ শুরবী অমেরিকান এক্টর অসি ১৯৭৭কী মার্চ ২৪দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেক্রেমেন্টো, কালিফোর্নিয়াদা পোকখিবীনি। কুমজা ২০০৪দগী হৌনা ফিল্মগী লম অসিদা মায় লৈশিল্লকখিবীনি। মহাক করম্বা ফিল্মদনা হেন্না খোয়দাবগে অমদি করি ফিল্মলোমদা হেন্না কুম্বগে হায়বা অসিসু অঙকপা অমনি। মী খূদিংগী মশা-মশাগী অপাম্বা লোয়নমক লৈনৈ। অদুবু কা হেন্না মদুদা চঙশিন্দে। জেসিকাদি মদু নত্তে। মঙোন্দা ফিল্ম অমা কুম্নবা হায়বা মতমদা মহাক্না হেক্তা য়াদে। মানা কুমগদৌরিবা ফিল্ম অদুগী ষ্টোরি, অমদি মহাক্কী রোল অদুগী মরমদা য়াম্না খল্লি। মহাক্তি নুপীশিংগী মরমদা নৈনবা, নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা ফিল্মশিংদনা হেন্না পাম্মী। মরম অদুনা মহাক অসি ফেমিনিষ্ট ওইবা থীম অমদি রোল নৎত্রবদি কয়া কুমগন্দে। মসি মহাক্কী অঙকপা প্রিন্সিপল অমনি। এক্টর অসি হৌজিক্তি ফিল্ম প্রদ্যুসর অমা ওইনসু মীয়াম্না শীংথাবা হৌরক্লিবীনি। ওস্কারগীদমক নোমিনেসন অহুম্লক ফংখ্রে। ২০২২গীসু মহাক একাদেমী এৱার্দ ফংলিবা মীশক অমনি। মসিদা নত্তনা বৃটিশ একাদেমী ফিল্ম এৱার্দকীসু নোমিনেসন ফংখ্রে। টাইম মেগাজিননা ফোঙবা মালেমদা ইনফ্ল্যুয়েন্সিভ ওইবা মীওই ১০০গী মনুংদা মহাক অসি য়াওরিবনি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা এক্টিং তৌবসি য়াম্না পামজরকখি। মহাক্কী ইহান হানবা ষ্টেজ এক্টিংগী রোলদি ৱিল্লিয়ম শেক্সপিয়রগী জুলিয়েট হায়বা অদুনি। জুইল্লিয়র্দ স্কুল হায়রিবা অমেরিকাগী মমিং লৈরবা এক্টিং স্কুল অসিদা তম্লকখি। মসিদগী মায় পাক্লা লোইরবা মতুংদা টেলিভিজনগী প্রদ্যুসর জোন ৱেলনা মহাকপু টেলিভিজন সেরিজ- লো এন্দ ওর্দর অমদি ত্রাইয়েল বাই জুরিগীদমক খনবীদুনা কুম্বা হৌরকখি। মসিগা লোয়ননা এন্টোন চেখোভকী প্লেশিং- দ চেরি ওর্চাদ ২০০৪দা অমদি ওস্কার ৱাইল্ডগী ট্রেজেদি সেলোম হায়বা অদুদসু ২০০৬তা মায় পাক্লা কুমখি। বিগ বডজেটতা নম্বর ফিচর ফিল্মদি ২০০৮দা পুথোকখিবা জোলেন হায়বা অদুদা ইহান হান্না কুম্লকখি। মথংদা টেক শেল্টর (২০১১), দ ট্রী ওফ লাইফ (২০১১) হায়রিবা অসিদসু ম্যেন রোল লৌদুনা খুম্লকখি। চহী অসিমক্তদা পুথোকখিবা **দ হেল্প** (২০১১) হায়রিবা ফিল্ম অসিদদি মহাক একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেসকী নোমিনেসন চঙখি। অদুগা ফিল্ম অসিমক্তদা কুমজা ২০১২দা গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফংখি। মথংদা **জিরো দার্ক থর্টি** হায়বা ফিল্ম অদুদা অনীশুবা ওইনা একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনেসন চঙখি। দ আইস ওফ টন্মি ফে (২০২১) অসিদসু অহুম্লকশুবা ওইনা একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনেসন ফংখি।

জেসিকা চেষ্টেন মশাগী ওইবা ফিল্ম কম্পেনি ফ্রেকল ফিল্মস হায়বা অমা লিংখৎচদুনা প্রদক্সন তৌবা হৌখ্রে। মহাক অসি ফিল্ম এক্টর অমদি প্রদ্যুসর ওইবতা নত্তনা মেন্টেল হেল্থকী ইস্যু কয়াদা মীয়ামদা ৱাখল লৈতাহন্নবগীদমক ৱাফম কয়া নীংথিজনা থম্বা ঙস্বগীদমকসু থোইদোক্লা শীংথানৈ। মসিগা লোয়ননা জেন্দর অমদি রেসিয়ল ইক্বেলিটিগী মতাংদসু মহাক অসি মীয়াম মরক্তা অমদি অচৌ অচৌবা ফোরম কয়াদা ৱা ঙাংলিবী য়াম্না মশক নাইবী অমনি। ঐখোয় স্বাইদা এক্টর অমা ওইরগা মহাক মশানা তৌজরিবা অদু ফাওবদা নীংথিনা ৱাহৈ মপুং ফানা থম্বা ঙমদবা অদু নত্তে। হোল্লিৱুদকী মমিং লৈরবা এক্টরশিংদি মখোয় মখোয়গী হৈ-শিংবা অমদি মখোয়গী পামজবা কয়াশিং অদু মীয়ামগীদমক কান্ননবা অমদি লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়াদা মাঙজিন থানা চোংথোক্তুনা মীয়ামগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নে। জেসিকাগী পুন্সিদি অৱাবগী শরুক্না হেন্না হৌরকখি। মহাক মতিক চানা মহৈ তম্বা ফংখিদে। অদুবু পীক্লিঙৈদগী পামজরকপা এক্টিংগী স্কুলদি মহাক য়াম্না থৱায় য়াওনা ৱানা তমজখি। মদুসু মহাক্না নমদুনা স্কুল অমদা দিবেটকী টিম অমদা য়াওবদগী মহাক্কী খুদোংচাবশিং অদু ফংখিবনি হায়না মীদিয়াদা পাউদমখি। মহাক্না পীশক পীক্লিঙৈদা মহাকপু পোকপা মপা শিখ্রে। মমা খক্তনা মখোয় মচিন মনাওশিংবু চাউনবা য়োকপদা নত্তনা নোংমগী চরা পীনবা হোৎনবদা অসুক্কী মতিক অৱাবা ওইখি।



জেসিকা অহিং চরা হেল্লগা তূমখিবা মশীং নাইখিদে। মহাক্কী মমানা ৱানা হোৎনদুনসু মখোয়গী চরা অমা টেবলদা পুরকপা ঙমখিদবনা চরা কয়ারক হেনখি। লায়রবা উপায় লৈতবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী খুদোংচাদবা মীশক অমা হায়বদু ওইরকখি। মসিগী মরক্তা মহাক্না করম্না চাউরকখিবা, অমদি করম্না মীয়ামগী মাঙদা থোরকপা ঙমখিবা হায়বসি হৌজিকসু মহাক মঙ অমগুম্না খল্লি।

মহাকপু আর্টকী লম্বী অসিদা মখুৎ পায়দুনা হেক পুশিল্লকখিবা মীশক অমা হায়বা তারবদি মহাক্কী মবোকনি। অসুম্না হৌরকখিবী জেসিকা ১৯৯৮দা অমেরিকান একাদেমী ওফ দ্রামাটিক আর্টস হায়বা অসিদসু মহাক্কী এদ্যুকেসন মপুং ফানা তম্বা লোইশিনখি। মহাক্কী ইহান হানবা ষ্টেজগী প্লেদি ৱিল্লিয়ম শেক্সপিয়রগী রোমিও এন্দ জুলিয়েট হায়বা অদুদা জুলিয়েট শাখিবা অদুনি। মদুগী প্রদক্সন অদু সান ফ্রান্সিস্কোদা লৈবা ঠিএটর কম্পেনি অমনা পুথোকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মতমদুগী মমিং লৈরবা এক্টর রোবিন ৱিল্লিয়মনা ফন্দেদ তৌবা স্কোলারশিপ মহাক ফংবা ঙমখি। মদুনা মঙোন্দা অচৌবা মতেং অমসু ওইখি। লোয়ননা মীয়াম্না মহাকপু খঙবীনবগী অচৌবা মরম অমসু ওইবা ঙমখি। মখা তানা বেচেলর ওফ ফাইন আর্টসতসু তমথখি, অদুগা ২০০৩দা দিগ্রী ফংবা ঙমখি। মহাক্না গ্রেজ্যুএট তৌরিঙৈগী অরোইবা চহী অদুদা হোল্ডিং দিল অমা টেলিভিজন প্রদ্যুসর জোন ৱেলগা তৌনখি। অসুম্না মহাক তপ্না তপ্না মহাক্কী করিয়র অসি শেম্বা হৌরকখি। ২০০৪দগীনা ২০০৭ ফাওবগী মনুংদা ভেরোনিকা মার্স (২০০৪), ক্লোস টু হোম (২০০৬), ব্লেকবিয়র্দ (২০০৬), লো এন্দ ওর্দর : ত্রাইয়েল বাই জুরি (২০০৬) হায়রিবশিং অসিদা মায় পাক্লা কুমখি। ২০০৪দা এন্টোন চেখোভকী প্লে দ চেরি ওর্চার্দ হায়বা মমিং লৈবা প্লে অদুদা এন্যাগী রোল লৌদুনা ৱিল্লিয়মসটাউন ঠিএটর ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াখি। অসুম্না শেক্সপিয়রগী ওথেল্লোদা দেসদেমোনানচিংবা রোল কয়াদা কুমদুনা মহাক্কী হৈ-শিংবা কয়া অদু মীয়ামদা মপুং ফানা উৎথোকপা হৌরকখি। ঠিএটরদগী মায় পাক্লা লাকখিবা জেসিকা ফিল্মদা চঙলকপা মতমদা হেন্না চুশিন্নদুনা অরু-অরুবা চেল্লেঞ্জিং ওইবা রোল কয়াদা কুম্লকখি। জেসিকাগী মমিং লৈবা অমদি মনা ফংখিবা ফিল্মশিংদি- টেক শেল্টর (২০১১), কোরিওলেনস (২০১১), দ ত্রী ওফ লাইফ (২০১১), দ হেল্প (২০১১), মদাগাস্কর ৩: য়ুরোপ'স মোষ্ট ৱান্টেদ (২০১২), জিরো দার্ক থর্টি (২০১২), মামা (২০১৩), ইন্টরষ্টেল্লর (২০১৪), এ মোষ্ট ভাইওলেন্ট য়র (২০১৪), দ মার্সিয়ন (২০১৫), মিস স্লোন (২০১৬), মোল্লি'স গেম (২০১৭) অমদি ইট চেপ্টর টু (২০১৯) হায়রিবশিং অসিনি।

চেষ্টেন ফেমিনিষ্ট অমনি। মহাক্কী অশঙবা মতমদা নুপীশিংবু হন্থনা য়েংবীবা অমদি মাইনর নুপীমচাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অমদি মখোয়বু দিস্ক্রিমিনেট তৌবীরিবা কয়াগী মরমদা ৱা ঙাংলি। অমদি মসিগী য়াইফনবগীদমক মহাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। তশেংনমক এক্টর অমা ওইরবসু মহাক মীয়ামগীদমক অফবা থবক কয়া তৌবদা পূক্নিং য়াম্না চঙলিবী মীশক অমনি। মহাক্না মীদিয়া ইন্টর্ভিয়ু অমদা হায়খি- এক্টর অমা ওইবা তারবদি মীয়ামগী ফনবা অমদি মীয়ামদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পীনবা হোৎনবা হায়বসি মথৌনি। মদু নত্তনা এক্টর অমগী করিসু লৈতে। অদু ওইবা তারবদি শুপ্নতগী এক্টিং তৌবদু খক্তনা ঐখোয়গী ইথৌ নত্তে। অশেংবা তাইবংদসু মীয়ামগী ফনবা ৱাফম খন্ন-নৈনদুনা অফবা মায়কৈ অমদা চৎনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরবা থৌদাংনি। অদুননি ঐনা মায়কৈ অসোমদা থৱায় য়াওনা চঙশিল্লিবসি। হীরম অসিগী মতাংদা দ হোল্লিৱুদ রিপোর্টর হায়বা মেগাজিন অদুদা মহাক্না আর্টিকলশিং চাং নাইনা ইদুনা মীয়ামদসু পাহল্লি। মসিদা নত্তনা দোক্যুমেন্টরি অমদি সোর্ট ফিল্ম কয়া অমা মশানা প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্সন পীদুনা পুথোকখ্রে। য়ু এস এদা লৈরিবা নুপীশিংবু নমজা নমথেকপীবগী মতাংদা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট পীবীরিবা কয়াগী মতাংদা, নুপীশিংদা অহেনবা পাঙ্গল পীনবা, ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টকী মতাংদা, মরাইবক থিরবী নুপীশিংগী মেসেজ পীবা **দিস চেঞ্জস ইভ্রিথিং** হায়বা দোক্যুমেন্টরি অমসু পুথোকখি। তশেংনমকসু চেষ্টেন অসি মহাক্কী ফিল্ম রোল পীরকপা মতমদা য়াম্না খল্লি। মরুওইনা ফেমিনিষ্ট রোলসি মহাক্না য়াম্না পামজৈ।

**ৱি দু ইট টুগেদর** হায়বা সোসল ওর্গনাইজেসন অমা মহাক্কী লীচিং মখাদা শেমগৎতুনা হোল্লিৱুদকী অখন্নবা সেলেব্রিটিজময়ামগা লোয়ননা ঠিএট্রিকেল প্রদক্সন "দ চিলদ্রেন'স মোনোলোগস হায়বা অমা পুথোকখি। মদুদা মহাক্না চহী ১৩ খক্তা ঙাইরিবী, মহাক্কী অঙ্কলনা নমদুনা রেপ তৌবীখ্রবী ভিক্টিম অমগী রোল লৌদুনা কুমখি। মদু মীয়াম্না অঙকপা ফংনা এপ্রিসিএট তৌবীখি। প্লে অদু মরুওইনা অফ্রিকানগী নুপীমচাশিংগী অৱাবা কয়াদা মতেং পাংনবা চেরিটি ওইনা শীনখিবনি। ওর্গনাইজেসন অসিনা মালেমগী ওইবা অচৌবা মীৎয়েং অমা থমদুনা মাঙদা চঙশিন্নবা অকনবা খোঙথাং কয়া ঙসিসু লেপ্তুনা লৌখৎলি।

*- নানি*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ৬।০৩।২০২২ইং, নোংমাইজিং;**
**লমতাগী ৪নি পানবা।**

**মেষ:** নীংবা থুংজবা, অনৌবা থৌরম পাঙবা কান্নগদবা, নিংহন্নদনা ইচঙ থৌবনা ওইজ-ওইথক হেন্না ফংগনি। অরিবা থবক্তদি মীয়ামগী মতেং লৌবা ফৈ। নরলদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** থৌনা লৈবা, কিদবা, নিংহন্নদবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেংনা অনিংবা থবক পাঙবা ঙম্বা নুমিৎনি। অদুবু হোয়া ফবা অমদি চরাংনবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিথুন:** লন চাওখৎপা, নীংবা থুংবা অমদি মীচঙ য়াম্বগী নুংঙাইবা লৈ। নুমীৎযুংবা ফাওবা মীংচৎ তানবা য়াবা, মরুপ মপাংগী মতেং ফংবা, হকচাং নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইবা অমদি লাইবক ফবতা নত্তনা অনৌবা থবক থৌরমদা চাওনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। লম চৎপা কান্নগনি, থেংলপ্না অফবা মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** নোল্লক্না চৎচবা অমদি ঈরাং পুদবনা মাঙবা য়াবদৈ কঞ্জগনি। মরম থিদোক্তনা খুৎচাও থারুনু নুংশা থিগনি। মরুপ অমদি লাই-গুরুনা তাকপা লৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ইশাগী ওইজবতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** নুমীৎযুংবা মতুংদা চোপ্পা য়াবদৈ কোকচগনি, হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি। ফিংবনা নুংশাথিবা নংবা য়াবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজবা লৈগনি-মতম ঙাইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** নীংবা থুংগনি, অনিংবা অফবা থবক পাঙগনি, লান্দবনা য়েক্লববু ঙমদুনা নুংঙাইজবা ফংগনি। অফবা লৌশিং তানশিনবসু মায় পাক্কনি। ৱা-য়াম্না ঙাংবদি ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** মতম মাঙবা ফরনি, মীয়ামগী মতেংনা নুংঙাইজবা ফংগনি অমদি মখোয়গা লোয়নবা থৌ পাঙহৌবসু মতাং চাগনি। অদুবু মীতোপ্পদি কিহনবা/মাঙহনবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**ধনু:** ইচঙ থৌবা মতাং চাই, থাংজিনখ্রবা খোঙথাংদা নীংহন্নবা তৌগনু, নথক থোংবনা লুনা-চান্না তৌবিগনি। হন্থবনা হায়বা তাকপা লৌরদি নরল মাঙহঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথনা লৈখো
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** খোয়রাং খোয়শাওবা অমদি ৱাফংনবদা ইকাই-নুংশি য়ানবা থৌদোক নংবা য়াবা লৈ। মীগা য়েৎনদবা, নরল চেকশিনবা অমদি ৱা মরম খঙদনা ঙাংদবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**কুম্ভ:** মীচঙ লৈরনি, ৱাখল থোক্কনি, অনৌবা থৌরম পাম্বা নুমীৎনি। য়েৎনবনা খুরৌ থাংবা, হুরানবনা কল্লকপা অমদি ফংবা য়াবা লন পনবদি লৈ। থিবা হুম্বা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌরদি কায়ননি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** ঙসিসু মীয়ামগী মতেংনা কান্নবা হেন্না ফংগনি, অরাপ্পা মফমদৈ কান্নবা শোয়দনা ফংগনি। অদবু হোয়া ফরবা অমদি ঙক কল্লবা মীখা পোনগনি, কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ৮শুবা নোংইন কুম্মৈ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৯দগী ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তনা লাকখিবা ৮শুবা নোংইন কুম্মৈ (মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও ফেষ্টিভেল) ২০২২ লাক্লিবা মে ৮দা পাঙথোক্লগনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি ও গৌতমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, চহী অসিগী মে ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮শুবা নোংইন কুম্মৈ অসিদা শরুক য়াবীনিংবশিংনা কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল ১দগী কুমজা ২০২২গী এপ্রিল ৩০ ফাওবগী মনুংদা পুথোকপা অমদি ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা রিভিয়ু তৌরবা মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিওশিংনা নোংইন কুম্মৈ অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবগীদমক এন্ট্রি ফোর্ম অমদি রুল এন্দ রেগ্যুলেসন (চৎন-কাঙলোন) ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ওফিস অৱার মতমদা মার্চ ১১ দগী ফংবা হৌরগনি। মেনশিল্লবা এন্ট্রি ফোর্মশিং অদু চহী অসিগী মে ২ ফাওবগী মনুংদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ওফিসতা সবমিট তৌবীরক্কদবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ৮শুবা নোংইন কুম্মৈ মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও ফেষ্টিভেল ২০২২ অসিগী অকুপ্পা মরোল ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ওফিসতগী লৌবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## 'মণিপুরী মচাশিংবু লৌথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস): হৌজিক হৌজিক রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী মরক্তা থোক্লিবা অকনবা লানফম অসিগী মনুং চল্লিবা শাথিনা শোক্লবা খার্কিভ য়াওনা য়ুক্রেনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মণিপুরগী মহৈ-মশিন তমদুনা লৈরিবা মরুওইনা মেদিকেল ফিল্ডদা মহৈ-মশিন তম্লিবা মহৈরোয়শিংবু মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা লৌথোকপীয়ু হায়না চাউখৎ খোঙথাং ক্লবকী শঙলেনদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা হায়জরি। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং অথুবদা চঙবীয়ু হায়নসু খা নাওরেম লৈকায়, কাঞ্চিপুরদা লৈবা চাউখৎ খোঙথাং ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট এ রোশিকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদকী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা মীওইশিংদগী লুপা ৩,৯০০ খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্না লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা ঙসি ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চথুবদা চাউরাক্না মীওই ৩৯ লোম দিটেন তৌরবা মতুংদা ফাইন ওইনা মখোয়দগী লুপা ৩,৯০০ লোম থীহনখ্রে হায়রি। তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লুপা ২,৬৫,৫৬,৭৬০ রোম ফাইন ওইনা খোমগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

লৈঙাক্না লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঙাক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মতুংইন্না লিগেল এক্সন লৌখৎতুনা লাক্লি অমদি মখা তানসু লৌখৎকনি।

মণিপুর পুলিসকী নোদল ওফিসর (কোভিদ-১৯) আই জি পি (ওপ্স) ঈ প্রিয়োকুমারনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না লৈঙাক্না লাউথোকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ ঙাকথোক্লবগীদমক মাস্ক উপ্পা, মীয়াম তিনবা মফমদা লোক-তিন শীৎতবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লুপা ... হৌজিক হৌজিকমক মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা খরা শাফরক্লবসু লায়না অসি ষ্টেট অসিদগী মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা হায়বদু ওইদ্রিবা মরম্না লৈবাক মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র ঙাক্না চৎপা মথৌ তারি। হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ হন্থরক্তুনা হান্না থেংনরম্বা চৈথেং কয়া থেংনরম্লবসু শাফরকপদগী মীয়াম্না তঙাইফদনা ঙাক্তবা য়াদ্রবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লক্ত্রিবসি তৌবীগনু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।



Title : A Hero
By : Bikash Moirangthem
Class : VII
School : Khuman Maheikon



Title : Church
By : Malemnganba Takhellambam
Class : Nursery
School : Shining Byrne Academy



Title : Doll
By : Mangolsana Loitongbam
Class : III
School : Shishu Nistha Niketan



Title : Scenery
By : Shisimitra Khuraijam
Class : II Sec : White Roll : 5
School : Lee Faith



Title : Smart Girl
By : Takhellambam Lanchenbi
Class : VII Roll : 45
School : Primier English Academy



Title : Anime Boy (Korea)
By : Takhellambam Damini
Class : KG Sec: Lotus Roll : 4
School : SL Arena of Learning



Title : A girraf holding a balloon
By : Takhellambam Damini
Class : I
School : SL. Arena of Learning



Title : Beautiful Lady
By : Takhellambam Laija Devi
Class : III Sec: B Roll : 18
School : Premiere English Academy




Title : A doll near a house
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery
School : SL Arena of Learning



Title : A Father
By : Tomthinganba Moirangthem
Class : IX Roll : 7
School :




Title : Fruits
By : Tomthinganbi Moirangthem
Class : VI Sec : B Roll : 45
School :




Title : Anime boy (Korea)
By : Yaisana Takhellambam
Class : II Sec : D Roll : 44
School : Tiny Tots Unique School




Title : Deer
By : Yendrembam Kunjan
Class : IV
School : Ananda Purna School, Thoubal



Title : Driving A Car
By : Pibathoi
Class: IV Roll : 21
School : Maheilen Education Centre



Title : Scenery
By : Toijam Shivaraj
Class : V Roll : 21
School : Maheilen Education Centre



Title : Demon Slayers Upper Moon-1(Kobushiboi
By : Heikrujam Dishan Meetei
Class : VIII Roll : 3
School : Maheilen Education Centre

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।